ৱারী ককনাউ

# ঐনা হায়দ্রা

মপুন্সিদা মশাগী খুদোং চাবতা য়েংদুনা লৈরবা, ওইদবা ঙাঙবদা হৈনরবা মীনি তা থম্বাল। ময়াম্মদি মাগী মমিং থম্বাল বাবু হায়না কৌনৈ। মাগী মমিংগী মনীংদা বাবু হায়বা অমা তপ্পীসে অতৈ অমত্তগী নত্তে। ইংলিস ৱাহৈ অমফাওবা চুম্না হায়বা হৈতবা মানা ইংলিস পাউচেগসি নুংদাংৱাইরমদা পায়রগা য়াম্না হৈবা শারগা পাবা শাদুনা ময়ূমদগা হল্লকইপোৎনি। ময়ূমদা নোংমতা পাবা নত্তে। মশা নাল্লি। মশমদুসু ষণনা লেকথোকখিবদৌনা শ্রীৎ নান্না হাৎলি। মায় মতৌদুদা লৈকায়গী মীনা বাবু হায়না মমীংগী মনিংদা তপশিনবীবনি। মীনা 'থম্বাল বাবু' গাইনা কৌরকপসি মাসু হরাওনা নোকফেৎকা তৌজরিপোৎনি। মথুনদি কোং-কোং লাওরগা য়াম্না লেম্বগসু শারিপোৎনি। মায় নুপীনা নোংমগী হাতে-হাতে শূরগা ৱানা শেল তাল্লগা মানা চারিনি। থবক শূনীংদবদা মকোকনি। পোলিটিক্স য়াওরিবনি হায়দনা লৈবাক্কী ৱাগসু য়াম ঙাঙই। নোংমতা মীটিং অমদা নৎত্রগা লৈবাক্কী ওইবা থৌরম অমদা তা থম্বাল য়াওরম্মে হায়দি তাদে। এম এল এ/মিনিষ্টর অমত্তনা মাবু খনবীবা নত্তে। পার্টি ওফিসতগা নোংমতা চঙদুনা ৱা তানবা য়াওবা নত্তে। মায়সি তশেংনা হায়রদি সোনো চুরিনি। মথন্তা পংঙাওদা ঙাওজবনি। তশেংনা হায়রদি মাগীসি সাইকিয়াত্রিক অনাবা মখল অমা ওইরম্বা য়াই। লৈকায়গী হোটেলদগসি অয়ূক্তা মানা ঙাঙবসি তানীংদদনা ময়ামসি কায় কায়দনা চেল্লে হায়দু হেক থোক্লবনি।

সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল (সী এ বি) গী মতাংদা ময়াম্না অদুক য়াম্না ঈহৌ হৌদনা তৌবদুবু মানা সী এ বিনা কৈমতা অকায়বা পীদৌবা লৈতে, সী এ বি হায়সিবু নোইবু কয়াম খঙলগে? খঙদি খঙদনা মীনা হায়রগা নোইনা হেক্তা গীরি-গীরি ইন্দুনা ঈরাং হৌরি কৈগীনো? কৈদৌ ঈরাং শাগৎলিনো হায়না বন্দ তৌবা কাঙবুদা হায়রুবদা ময়াম চঙদনা তা থম্বালসি নেৎখ্রবনি। হন্দক তৌখিবা ভোটতুসু মাদি হান্নদগী অদুম হায়জদুনা লাকই। কাবদি ঐখোয়না অদুম কাদৌ লৈরে। ময়াম্না লাংঙিনীগাইনা তৌরিসে তৌজশারিনি। কাবদি ঐখোয়না অদুম কারনি। মচিন্দা লাই তোংদুঙাই - কারে হৌজিক্তি।

নহান ভোট হায়দোকপদু কনামতা চেক-মোক লাউনদে। তুমিন-তুমিন মায়-মায় তৌদৌদু অদুম তৌনৈ। কনাসু কৈসু ভোট কারে, অদু তৌরে হায়না লাংদনা, লাউ খোংদনা কৈসু তৌনদে। তা থম্বালতনি, ঈরাং শাগৎলিবা। কোয়লাং হেক লাংই, কোয়লাউ হেক লাউই। খঙদে অয়ূক্কী চাক খরা য়াম চারকপরা কৈনো, মী অনীবু পুল্লম্মদি মা অদুম চঙশিল্লগা, ঐনা হায়দ্রা... ঐনা হায়দ্রা...হায়সিনা ৱাই হেক্তা চাইবনি। মাদি মথুম-মরাং হৌনা হরাওই।

নুংদাংৱাইরমদু ঐখোয় অহুমনি ঐখোয়না নুংতিগী হেক হেক নুংদাংৱাইরম পূনফম অমা লৈ অদুদা টিকেননে, থোইবনে, প্রিয়োনে ঐনা ফম্মগা ৱারী শা লৈ।

কদোমদগীনো তা থম্বালদু থোক চঙশিল্লক্লগা হেক্তা মেলৈ লাংদুনা হেক্তা কোয়লাং লাংলবনি। "ঐনা হায়দ্রা... হৌজিক্তি চুম্মেদনা, অসোমদসু লোইনা ফাক্তনা কারেদনা... ৱাশকসু লৌখ্রে" মরী মখোঙ ইশম শম্নদে মানা থোকপা পংঙাঙদা ঙাঙই। ঐগী ইতাও টিকেননা শাওরপনা তাল্লি। ঐখোয়দি নোকই।

"তা থম্বাল য়ারে-য়ারে চৎলো, ঈ কারক্ত্রিঙৈদা চৎখ্রো?"

"অদো ঐনা হায়দি চুল্লমগনিদা" তা থম্বালদি শাগৎলক্লিবা ঈসি করিনো খঙপোত্তে, নোক্রেম হাগ্রেম্নদনা অদুম ঙাঙই।

"চৎলোমী, তানীংদেবা, নঙগী ভোটকী ৱাদো আদা হায়রুরো, ঐখোয় ভোট য়াওদে কো, চৎলো" টিকেন্না মখা তানা হায়।

"হোইনে অদু ওইরসু... ঐনা হায়বদি চুম্বনিদা..."

"তা থম্বালসি পোলিটিক্সকী মরমদা য়াম খঙবজাৎনি। তা থম্বাল কৈনোমতা হংহৌগেনে। লম্বী শেম্বগী মিনিষ্টরদুবু ... মায় মমিংদুবু... করি হায়বনো তা থম্বাল" প্রিয়োনা থোক লাওনা হংজিল্লি। মায় ৱাহংদুদা শাওরম্বা ইতাও টিকেনসু তুমিন লৈখ্রে।

"মদুই মিনিষ্টরদুবু মমিং কৈনোমা হায়বনিনে....আ...আ..."

"য়ারে-য়ারে চৎলো নঙনা পোলিটিক্স য়াওরিনি হায়না তৌরিসে থবক লৈতবগী য়াওবনি, অদুই শরুক থবক শূ ... ইতৈমনা ৱানা হোৎনরিসে মতেং খরা পাঙশিল্লু" প্রিয়োনা কল্লপ হায়খি।

"মদু নঙ নথৌ লৈব্রো? ঐ নুপীসি নঙনা পান্নরিরো?"

"তা থম্বাল থুনা চৎলু চৈ লাক্কনি, হৌজিক শুকপাও কাওরদি, উপপগা তানিদো, চৎলো খূৎ থানীংদে" খঙহৌদে ইতাও প্রিয়োদু ফুক লাউনা হৌগৎলগা তা থম্বালগী মঙক পায়দুনা ইনখি।

তা থম্বালদু শাওরপনা হৌগৎলগা মখূৎকা শিংদনা কৈ কৈনো য়াম হায়রম্মগা শাওনা লাউরম্মগা চৎখ্রে।

"ঐনা হায়দ্রা ... নোইনা তৌরিদু কৈম কান্নরোই হায়না ঐনা হায়দ্রা?"।◀◀

- **নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

# ইস! শিরমনীদা

নম্বুল তুরেল মথক্তা শাবা থোং ময়াদা য়ূম অমদা লৈবী হনুবী অমনা নিতিগী তুরেলদা কুম্লগা ইরুজবা অমদি তাইবঙ মপু নীংজবা অসি মাগী মথৌনি। চহী ৩০ মুক্কী মমাঙগী ৱারীনি ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ তুরেলগী ঈশিং চাওরবদি ৱাগী থোংদগী চোংথবী শান্নবা, তুরেল ঈশিং ময়েং খরা তারগনা তুরেল তোর্ব্বান্দগী য়ুংনা তাবা লোংহুন হুনবা অমদি মাগী-মাগী হৈনবী স্কুল কাদ্রিঙৈগী মমাঙ অমদি স্কুল হল্লক্লগসু চপ মান্ননা তুরেল ৱাংমগী ইমান্নবশিংগা ইরুপ্পা কুইবা তান্নবা, লোংহুন মওং-মওং, চেল্লিবা ঈশিং তুরেলগী মায়োক্তা ইরোইবা মখল কয়া ঐখোয় খরগী ঈশিংদা শান্নবগী মতৌসি উরগা লৈকায় অহল-লমনশিংনা করি অঙাংনো মখোয়শিংসিবু নোংঙানবদগী নুমিৎ তারমদাই ফাওবা ঈশিংদদা লৈরে হায়না ঐখোয়বু শোনবীরিবনি। নিংথম থাদদি নম্বুল তুরেলসি ঈশিং লৈতবনিনা য়াম্না হৈনদবা অমদি ফাওই।

ইন্দিয়াদা চেল্লিবা অচৌ-অচৌবা গঙ্গা, যমুনা, ব্রহ্মপুত্র তুরেলশিং অসিনা ঐখোয়গী লৈবাক্তা চেল্লম্লবদি হায়না খল্লিপোৎনি। ঐখোয়দি ঈশিংদা তাবা, ঈশিংদা হৈনবা জীবগুম্বনি, ঈশিংদা কয়া কিদ্রে, ঈশিং লেপমুক ফংবোই ফংদবোই তৌরিঙৈদা মদুগী মশান্না অমা ঈশিং চাওরিঙৈদা থোংদগী চোংথবগী খূৎশান্নদুনা অমা। লৈকায় মীনা নিংথি নুংঙাইনা ঙাঙনবীপোৎত্রে চৈনা থিন্দুনা মথিবোং থোকপা তারেনে, ঐখোয়না মদু করিসু তারুদ্রে মিৎ ঙাংশং ঙাংবমখৈ শান্নরগা স্কুল কাই, স্কুল কুম্মক্লসু তুরেলদা অদুম শান্নে। ঐখোয়গী অবোকসু ঐখোয়গী মশান্নদুদা, ইশুশা! নখোয়বু চৈনা লেংদুনা শিবা তারে, চুম্না ইরোইরগা শান্নবা য়াদ্রো? ঐখোয়বু চৈবি, ঐখোয়দি ঐখোয়না পাল্লিবা চোঙথবা, লোংহুন হুনবা, লোংদা তাবা মদুখক্তনি ঐখোয়না পাল্লিবা । কনামতগী ৱা নাকোং মনুংদা চঙদে। অবোক্কী মচিন্দদি য়াম্না শোনজিল্লক্লবনিনা হে! তাইবঙ শেম্বা মপু ননাইবু খরা থুনা লৌশিনবীরো, হিংবা ৱারে, ঐবু লুনা চান্না তৌবীবা কনামতা লৈত্রে হায়না মচিন্দা মুরুম-মুরুম শোন্দুনা নিতিগী হিদেন তাফমদা ইরুবা কুম্লকপদা শোনবদু ঐখোয়সু তাই।

ঐখোয়গী মরক্তগী অমনা তোর্ব্বান্দগী ইবোক হনুবী নঙনা করি পেন্দবদগী মদুগী ৱাহৈদো হায়রিবনো। মী খ্বাইগীদি অনা-অয়েক লৈতবা, পুন্সি নুংশাংনবা তাইবঙ শেম্বা মপুদা খুরুম্বা ঙাক্তনি।

হনুবীদুনা হায়রকই - ৱাদুনা তৌরিবনিনে ইশুশা, নখোয়সু হয়েং হনুরগা খঙলকখিনি।

তুরেল ঈশিংদো খরা চাউরম্বদগী খরা হন্থরকপদুদা চোঙথবা, লোংহুন হুনবা য়াদ্রবনিনা তুরেলগী লৈরাই মপান্দু ঐখোয়না থুননা নান্থবী নুংতিগী শান্নরম্মী। মফমদু অকুৎ-অতোং ময়াম অমা লৈরে। ঐখোয়দি মদুদা মায় মিৎ লৈখোম্না তৈবনিনা মথোং মরম খঙপোৎত্রে। কনানা কনানো মশক খঙপোৎত্রে। লৈখোম লৈনাং মরক্তুদা। মদুদনিসে ঐখোয়না শিথ-শিথ নোক্তুনা নুংঙাইরিসে। থুনগসে চেগাই মচেৎনা য়াৎপদা ঈ থোকইপোৎনি। অদুবু মদু থোইনা খল্লুদে। ঐখোয়গী নান্থদুনা শানফম ময়াদুদা অবোকসু মখূৎনা নিতিগী মতৌগুম মুরুম-মুরুম শোল্লগা মখূৎ নাম্মনা চাইশেন অমা পায়রগা তুরেলদা ইরুজবা কুমথরকই। খঙহৌদে, অবোক্তো শৎ লাওনা নাম্থখিদুনা লুপখ্রে। ইবোক উহৌবা ঐখোয় খরা ঈশিংদা কুমদুনা লুপখিবদু কোয়থি থিদুনা লৌখৎলগা কংফালদা থম্মে। অদুবু ইবোক অদুদি শ্বর থবেৎ-থবেৎ হোন্দুনা অৱাবদু খাঙম্মী। ঙাইহাক লায়কন্নরবা তুংদা অবোক্তো খরা ফরমাল্লে অদুগা মহাক্কী মচিন্দা ইশুশা নখোয় লৈরমদ্রবদি ইস! শিরমনিদা।◀◀

- **বি মঙাং**

মতম মতমগী ৱাফম

# সাহিত্য একাদেমীগী ডোকুমেন্টরী ফিল্ম

ডোকুমেন্টরী ফিল্মগী মরুওইবসি ঐখোয় অয়াম্বনা কয়া পূক্নিং চিংশিন্নদে। ফিল্মগী পুৱারী নৈনবদা ডোকুমেন্টরী ফিল্মনা হান্না শাফোংলকখি। মতম অমদি সিনেমা হোলশিংদা ফাওবা ফিল্ম ডিভিজন্না পুথোকপা রিল অমমমগী ওইবা ফিল্মশিং লৈঙাক্কী থবক থৌরমশিং মীয়ামদা খঙহন্নবা পান্দমদা শোয়দনমক্কী উৎনরম্মী। ডোকুমেন্টরী ফিল্মশিং অসি 'ফিল্মস ডিভিজন' হায়রিবা মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোরমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিংগী মখাদা লৈবা অসিনা পুথোকপনি। ইন্দিয়ান ডোকুমেন্টরী ফিল্মশিংবু চাউখৎনবা ফিল্মস ডিভিজন হায়রিবা লৈঙাক্কী অচৌবা ডিপার্টমেন্টসিনা হোৎনদুনা লাকই । ইন্দিয়ান ডোকুমেন্টরী ফিল্ম চাউখৎনবা ইন্দিয়ান ডোকুমেন্টরী ফিল্ম এসোসিয়েসন ফাওবা শেমদুনা লৈখ্রবনি। ফিল্ম ফেষ্টিভেল মখল য়াম্মী। ষ্টেটকী থাক্তা, নেস্নেল অমদি ইন্টরনেস্নেলগী থাক্তা পাঙথোকপা কয়া লৈখ্রে। অয়াম্বনা ফিল্মগা মরী লৈনবা লূপশিংনা পাঙথোক্লে। ঙসিসু মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা ফিল্ম ফেষ্টিভেলশিংদা ডোকুমেন্টরী ফিল্ম ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লি। মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোরমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিংগী মখাদা মুম্বাই ইন্টরনেস্নেল ফিল্ম ফেষ্টিভেল সোর্ট এন্দ ডোকুমেন্টরী ফিল্ম ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লি।

ইন্দিয়াদা য়াম্না মরুওইবা একাদেমী অহুম- ললিত কলা একাদেমী, সঙ্গীট নাটক একাদেমী অমদি সাহিত্য একাদেমী হায়দুনা লিংদুনা লৈরকখিবা কুইরে। অহুমসিগী মথৌ তোঙাল্লি, অদু ওইরগসু লৌরিবা থৌদাং, পান্দমদি অমত্তনি। ঐখোয়গী আর্ট এন্দ কলচর অমদি ইন্দিয়ান লেংগ্বেজশিংবু চাউখৎনবা হোৎনবনি। অহুম্মক থানবা য়াদনা লাকই। ফিল্মগী ওইবা মেডিয়ম অসি একাদেমীশিংগী কুম্বাবদা চন্দে অদু ওইজরগসু মফমদি অহুম্মক্তা লৈরকই। একাদেমী অহুম্মক অসিগী থৌরম, থৌদাং মখোয়গী মশক, মতীং, আর্টকী ওইবা পোৎথোক মওংশিংবু তুংকোইনা লীদুনা থমহৌনবগী খুৎলাই অমা হায়বা তারল্লবদি ডোকুমেন্টেসন তৌহৌবা অসিনা ওইরকই। ডোকুমেন্টেসন তৌহৌবা হায়বদি ডোকুমেন্টরী ফিল্ম ওইনা নমশিন্দুনা থমহৌবা অসিনি।

ডোকুমেন্টরী ফিল্মদি থৌদোকনা মরু ওইগনি। থৌদোক, হীরম অদু ফেক্ট ওইগনি, শাশিন্নবা ওইবা য়াদে ,লিভিং সিন অমদি লিভিং ষ্টোরি ওইগনি। ইশম শম্না হায়রবদা-ইনফোর্মেসনগা মরি লৈনবা অশেংবা থৌদোক্কী পাউদম অদুনি হায়বা তাই। মরম অদুনা একাদেমী অহুম- ললিত কলা একাদেমী, সঙ্গীট নাটক একাদেমী অমদি সাহিত্য একাদেমীগী থবক থৌরমশিং মখোয়গা মরী লৈনবা খুদিংমক থমজিলহৌবা মথৌ তারকপগী মতুংইন্না ডোকুমেন্টরী ফিল্ম নমশিন্দুনা থম্মী। ডোকুমেন্টরী ফিল্মদি ফিল্মগা মরী লৈনবা লৈনদবা থোইনা থিদে। মথৌবু তারবদি ডিপার্টমেন্ট খুদিংমক্লা ডোকুমেন্টরী ফিল্ম নমদুনা থম্নে।

ইন্দিয়াগী একাদেমী অহুমগী মনুংদা সাহিত্য একাদেমীনা য়াম্না মরুওইনা মশক নাইবা অইবা অইবীশিং সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ ফংলবশিংবু খনগৎতুনা মখোয়গী মরমদা ডোকুমেন্টরী ফিল্ম নমদুনা থম্নরকই। সাহিত্য একাদেমী অসি ১৯৫৪দা লীংখৎখি। য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদা পঞ্জাবকী অইবা শক্লাইরবা অমরিতা প্রিতমগী মরমদা বাসু ভট্টচার্য্যনা ডিরেক্সন পীদুনা চাউরাক্লা মিনিট হুম্ফু শাংবা ডোকুমেন্টরী ফিল্ম নমদুনা থম্বা হৌখি। মশক নাইবা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দি অমগী মরমদা ফিল্ম নমদুনা থম্বা অসিনা অইবা অমগী হৌরকপা পূন্সি ৱারী, মহাক্কী খোঙচৎ, অইবা অমা ওইনা মহাক্লা লৌরক্লিবা থৌদাংশিংনা ইন্দিয়ান লিটরেচরগী লমায়দা তুংগী হৌরক্লিবা মীরোলগীদমক খঙমিন্নবা য়াবা, ফিদম্নফম ওইবা য়াবা কয়া অদুগী খঙমিন্নবগীদমক শেমখিবা ফিল্মনি। বাইওগ্রাফিকেল ফিল্মনি। মসিগী মরুওইবা অসি খঙলক্তুনা মরুওইবা অখন্নবা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দিশিং খনগৎতুনা মখা তানা সাহিত্য একাদেমীনা ডোকুমেন্টরী ফিল্মশিং (বাইওগ্রাফিকেল ফিল্ম) মথং মথং নমদুনা থমজিনবা হৌরকই। একাদেমী এৱার্দ ফংলবা খূদিংমক হেক্তা নম্বদি ওইদে। কুমজা ২০১৭ ফাওবগী ওইনা ফংবা সাহিত্য একাদেমীগী রেকোর্দতা ডোকুমেন্টরী ফিল্ম ১৩৮ নমদুনা পুথোকখিবগী মমিং মথা ফংবা ঙম্মী। তোঙান তোঙানবা লম্গী তোঙানবা লোনশিংগী সাহিত্য একাদেমী অৱার্দ ফংলবশিংগী মরমদনি। চৈচৎ কুমশীং ২০১৮ কী ওইনসু সাহিত্য একাদেমী অৱার্দ ফংলবশিংগী ফিল্মশিং লৈখ্রবনি । ফিল্মশিং অসি মমিং লৈবা লম লমদুগী নৎত্রগা ফিল্ম মেকর অমবু সাহিত্য একাদেমীনা নমহনবনি। মণিপুরগী ওইনা অরিবম শ্যাম শর্ম্মনা নম্বা মহারাজকুমারী বিনোদিনী অমদি এলাংবম সোনামণিগী পূন্সি ৱারীদা য়ুম্ফম ওইবা ডোকুমেন্টরী ফিল্ম লৈখি ।

ডোকুমেন্টরী ফিলমশিং অসি য়েংবীনবা মী ৱাৎলি অমদি অখন্নবা নত্তনা মসিগী ওডিয়েন্স তাঙঙি। মণিপুরগী ওইনা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ ফংখিবা অইবা অইবী কয়া লৈখ্রে। চৈচৎ কুমশীং ১৯৭৩দগী সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ ফংবা হৌখি। অহানবা ফংখিবসি পচা মীতৈগী " ইম্ফাল অমসুং মাগী ঈশিং নুংশিৎকী ফিভম" হায়রিবা নোভেল অসিদনি। অনীশুবদা নোংথোনবম কুঞ্জমুহোনগী ৱারীমচাগী লাইরিক 'ইলিশা অমগী মহাউ"(১৯৭৪) অহুমশুবদা লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী শৈরেং লাইরিক "মমাং লৈকাই থম্বাল শাৎলে"(১৯৭৬) অসিদা মথং মথং এৱার্দ ফংবা হৌরকখি। হৌজিক ফাওবদা তোঙান তোঙানবা লাইরিক মখলশিং নোভেলদা অইবা মাপল (৯), শৈরেংদা তারানিথোই (১২), ৱারীমচাদা তারাতরুক (১৬) ড্রামাদা অনী (২) লমকোয় ৱারীদা অনী (২) পূন্না এৱার্দি নিফুমরী (৪৪) লৈখ্রে।

হন্দক পংকুই কুইদনা সাহিত্য একাদেমীগী ডোকুমেন্টরী ফিল্ম ফেষ্টিভেল অমা ইম্ফালদা পাঙথোক্লবগী পাউ অমা ইকায়খুম্নজরিবা মণিপুরী লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দকী কনভেন্নরগী মফমদগী মণিপুরদা পাংথোক্লবা থৌরাংগী মতাংদা তাজখি। থৌরাং অসিগীদমক থাগৎচরি। অসিগুম্বা সাহিত্য একাদেমীগী থৌরম অসি মমাংগী চহী ২০১৮, জুন ১১দগী ১৫ ফাওবা নুমিৎ মঙানি চুপ্পা দিল্লিগী রবিন্দ্র ভবন্দা সাহিত্য একাদেমী নই দিল্লিনা মশক নাইবা অইবা অইবী, ক্রিটিক কয়া য়াওনা খন্ন-নৈনদুনা পাংথোকখিবা লৈখ্রে। মশক নাইবা অইবা অইবীশিংনা লৌরিবা থৌদাং মখোয়না সাহিত্যগীদমক হোৎনরিবা কয়াগী মরমদা নম্বা ডোকুমেন্টরী ফিল্মশিংনি। অসিগুম্বা একাদমীনা লৌখৎলক্লিবা সাহিত্যগা মরী লৈনবদা ডোকুমেন্টরী ফিল্মগী মফম অসি হৌজিক্কী মতমদা য়াম্না মরুওইবা অমনি। অসিগুম্বা অমা মণিপুরদা য়ৌহল্লক্লবা হোৎনবীরিবা মণিপুরী লেংগ্বেজ এদভাইজরী বোর্দকী কনভেন্নর অমদি খুৎপুগী অশানবা মিৎয়েংসি অফবনি। হৌজিক্কী মতমদা অইবশিংগী লাইরিক পাবদা নত্তনা অইবশিংগী পূন্সিবুসু ভিজুএলাইজ তৌবসিনা হেন্না অইববু মশক খঙবা ঙল্লগনি। তৌবতদি ঐখোয়গী লমদম অসিগী ওইনদি মসি অনৌবা অমদি নৎত্রে। দুরদর্শন কেন্দ্রা ইম্ফালনা ঙসিদগী চহী তারাগী মমাঙদা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ ফংলবা অইবশিংগী মরমদা অমদি মখোয়গী লাইরিকশিংদা কম্মিসন প্রোগ্রাম ওইনা পুথোকপা ডোকুমেন্টরী, টেলিপ্লে কয়া লৈখ্রে। খরদং পঞ্জরবা মরুওইবা এৱার্দিশিংদি- এম.কে.বিনোদীনী, এলাংবম সোনামনি, এলাংবম দিনমনি, এলাংবম রজনিকান্তা, অরাম্বম সমরেন্দ্র, নোংথোম্বম ওঝা কুঞ্জমুহোন, খুমন্থেম প্রকাশ, চিত্রেশ্বর শর্ম্মা, লমাবম বীরমনি, কৈশাম প্রীয়োকুমার,নোংথোম্বম শ্রী বীরেন, মাইবম নবকিশ্বর,থোইবী দেবী, সুধির নাওরোইবমনচিংবশিংগী ইবা লাইরিকশিংদা ফিল্ম পুথোকখ্রে ।

হৌজিক নৌনা সাহিত্য একাদেমীনা লমদমসিগী অইবা অইবীশিংগী মরমদা ডোকুমেন্টরী ফিল্ম শেম্বা তারবদি অয়াম্বা মশক নাইবা অইবদি থুপখিবনা মরম ওইদুনা খুদোংচাদবা মায়োক্লরগনি। লৈহৌরিবা খরা অসিসু অহল ওইশিল্লকপনা ঐখোয়না পাল্লিবা ডোকুমেন্টেসন অদু য়ৌনা ফংবা ঙল্লরোই হায়বগী নুংনাংবা অমদি পোকচৈ। অমবু ওইরবসু অইবশিংগী মরমদা ডোকুমেন্টরী (বাইওগ্রাফি) নমদুনা থমজিলহৌবা অমদি লমদমসিদা সাহিত্যগী ডোকুমেন্টরী ফিল্ম ফেষ্টিভেল অমা পাংথোকপা হৌবা হায়বসি মমল য়াল্লবা থৌরম অমনি, মায় পাকপা ওইসনু হায়না থৌনিজরি। ◀◀

- *মাখোনমনি মোংসাবা*

মতমগী ফুঙ্গা ৱারী

# 'হৌদোং উবা দাও য়াই'

মীওইবগী পূক্নিং ৱাখলদা য়ৌনা থাজহনবা হায়বসি অচুম্বা ওইরবসু অরাইবা অমদি নত্তে। মানা মানা পামজবা খঞ্জবা, নীংজবদুনা অমা ওইখ্রগা খুন্নাইগী চৎনবী অমগুম্না লু-তোংদা য়াওশিল্লগা লৈবা মানবা খরা, তশেংনদি পুংচুম হেক চুল্লব্রা হায়রগদি চুল্লমদবা কয়ানি। অসুম্না মালেমগী চাওখৎত্রিবা, চাওখৎলক্লিবা অমদি চাওখৎলবা লৈবাকশিংগী মনুংদা য়াম্না নোক্লিংবা ফাগি মানবদগীনা তাবদফাওবা তুজুংবা খম থেংনা কি-হঙ্গোইনা তুকৎচরবা (পাঙথোক্লিবা মীওইশিংদুনদি ফৈ খঞ্জবা, চুম্মী হায়না লৌজবা) অরানবা থাজনবী কয়া মীগা-মীগগী মরক্তা ঙসিসু লৈরি। লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈনহনবা অরনাবা মীওইবগী মায়োক্তা অমদি থৱায় পানবশিংগী মায়োক্তা চথবা চৎনবী, অঙম অথৌশিংগী ঙাইহাক ঙাইহাক্কী অপাম্বদা তোল্ল-তারবশিংদা খম থেংনা অৱাবা, ইকায়বা চৈনা চৈথেং পীবা অরানবা চৎনবী ঙসিসু অদুমক লৈনরি। ৱাহৈ খরা অসিনা ইকায়খুম্নজরবা পাবিরিবশিংদা ইকোক নোন্না থমজরগা ইরমদম মণিপুর অসিগী অচুম্বরা অরানবরা হায়বদু নৈনবীনবা ইপু-ইবেনশিংনা লীবিরম্বা, ইপা ইমানা তাকপীরম্বা, অহল লমনশিংনসু হায়নরম্বা অদুঙৈগী ফুঙ্গা ৱারী কয়াগী মরক্তগী অমখক নীংশিংজরগা হৈত-হৈতা তমজগে। চহী লিশীং অনী হেনবগী পুৱারীদা য়ূম্ফম ওইদুনা মথং মথং মমিং ওন্দুনা লাকপনা ঙসি ফাওবা লৈবাকসিগী মমিং অসি মণিপুর কৌনরি। সনা লৈবাক হায়বসিনা অদুঙৈ লাইনিংথৌ সনামহীগী মতমবু লৌরগা সনা লৈবাক কৌখিদো। পুয়াদদি থেংনদে। সনা লৈবাক মণিপুর চীংলোন মাপন্না কোয়শিনবা হায়বিরম্মী/শৈথাবীরম্মী অদুবু তশেংবা চীংজাও চীংদুমক্তি অমত্তা নত্তে। ইরৈপাক ইরমদমসিগী চীংনা শরুক মাপন ওইরগা তম্পাক্লা শরুক অমতমক পাক চাউববু তুংগী মীরোলদা অপূনবা ঈগী ঙমখৈ য়াওনা খঙজহৌনবা চীংথাং য়ৈনা লৈহৌনবা থম্বীরম্বা ৱাহৈনি চীংলোন মাপন্না কোয়শিনবা হায়বসি। কয়াদা নুং-পাল নাইনা ফজখ্রবা।

অমরোমদা পুৱারীগী করম্বা ইনিংথৌগী মতমগী নৎত্রগা লাই হাক্তক্তগী নৎত্রগা করিনো হায়বদি ঙমজদা য়াম্না লুনদি থোক্লে অদুবু ৱারী অসিদি ঐখোয়গী লনকৈদা লৈরে অদুনবু লীনরল্লিনি। **'হৌদোং উবা দাও য়াদে'** ময়াম্না শোয়দনা তাবিরমগনি কনানা করিগী ৱাহৈসি হৌদোকখিবনো হায়বা। থৌশানরুদ্রসু অদুম য়ানীংদা য়ানীংদা থাজনদুনা লাকখি। থবক চখোক্লমদাইদা হৌদোং উরদি নৎত্রগা লম্বীদা হৌদোংনা লমলানখ্রবদি দাও য়াদে, মায়থীনবগী হান্না খঙহল্লকপনি হায়না খঞ্জদুনা ফরমখ্রবা পূক্নিং ৱাখলদু মথন্তা হেক মাঙহঞ্জে, শোন্থনজে মসিবু চুমগদ্রনে। দাও য়াদে হায়রিবা পোৎশক অদুবু করিগী ইমুংদা লুনা নুংশিনা য়োক্লরিবা। পাউখুমদি অমখক্তনি, উচি ফানবা, লিল চঙদনবা। অদুনা মফম খুদিংমক্তা হৌদোং উবতনি। ঐখোয়গী ফুঙ্গা ৱারীদগীনা লৈপুং ৱারীফাওবদা হৌদোং লম্বোইবগী ৱারী অমসু লৈ। মসিনা অতোপ্পা অমনি। ঐখোয়গী লৈবাকসি করম্না হৌরল্লমগনি হায়বা মীৎকুপ অমতংদি লাইরদনা নুমিৎ কয়ানি নৈনরবসু থিজিনবগী লোইবা নাইগদবা নত্তে। চীংসু তমসু উমং ওইরম্বা মতমদুগী মৈতৈশিংনা (মতমদুদদি মৈতৈনি, য়েক সলাই অদুদগী কাঙলূপ ফুরুপ কয়া মানা মানা অপাম্বা লাইনীং লাইশোন চৎখিদুনা অমদি নমদুনা চথুনখিদুনা ঙসিগী মণিপুর ওইজরিনি) মতমদুগী মহৈ মরোংনা পুন্সি হিংনবা শীজিন্নবা হৌরকপা মতমনি। মৈতৈদি শা তানবা, শা-ঙা, উচেক ৱায়া ফাবা, চাবসি পোকপদগী লোয়নরকপগুম্না য়াওজরকখি। মমিং খঙদ্রিঙৈ, থোনদ্রিঙৈদা য়াম্না পাম্না হাওনা চাবশিংগী মরক্তা হৌদোংসু অমনি। নোংমা নোংমগী মীশিংসু য়ামখৎলকখি। লায়না লায়চৎনা অমুক অয়াম্বা শিহনখি, কুমগী মহৈ মরোং ফৌ-চেঙ পুথোক্লবা ৱানা হোৎনজরসু উচিশিংনা অমদি তীল-কাংনা লোইনা মাঙ তাকহল্লম্মী। পূম্নমক অরেম্বা তারম্মী। ময়াম পূম্নমক য়াম্না ৱানরম্মী। উচি অমদি উচেক-ৱায়া, তীল-কাং, লীলদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বে থিরকপদা শা মখল খরা ফাদুনা য়োকপা হৌরকখি। শাশিংদুগী মরক্তগী উচি ফাবসিদা খ্বাইদগী হেন্না হৈশিংবসি মমিং থোনদ্রিবা অহাওবা শা অমনা ওইরম্মী। য়োকখৎকদবা শা অদুদি হৌজিক মতমগী য়েন বোইলরনগা মহাও হেনদৌবা নত্তে (চারুবদি নৎচদে ৱারীনি) । মরমসিদগী মতমদুগী তুংগী পোরম পোমিৎ উবা অহল নহা খরনা শা অদু মশক খঙদোক্তুনা হাৎপীদনবা থিংবা হৌখি। মায় পাকপা ঙমখিদে। শা অদুবু ফারগা মচা-মশু লৌদুনা য়ূম-য়ূমদা লোয়নবা থৌরাং শিল্লম্মী। তাকপী-তম্বীদুনা তেহল্লম্মী। মীওইবগী হিংবদা চঙগদবা মহৈ-মরোং অমদি চরা নোংখম্নগদবা মহৈ-মরোং, ফৌ-চেঙ ঙাক শেনবীদুনা পুন্সি কয়াবু হৌদোক্লবগীদমক থম্লকপা শা অদুগী মমিং **'হৌদোকশা'** কৌনরম্বদগী **'হৌদোং'** হায়না কৌনখি। (ৱাহৈশিং অসি অখঙ-অহৈশিংনা থেংনবীবগা মান্নদবসু য়াই। মরমদি লৈকায় অমা, শৈশক অমা হায়বদুনি) । মীওইবনা মহাও খঙখিবা পোৎপু করম্না তরাইনা হেক্তা থাদোক্লবগে। য়ূমদা য়োক্লরসু ৱাখল খরা তানরসু হৌদোংবুদি চানরম্মী। হৌদোং মশীং য়াল্লমদে। মরম অসিনা কুমগী মহৈ-মরোংশিং উচিশিংনা মাঙ তাকহনবনা য়াম্না হেল্লম্মী। অদুদগী মাইচৌশিং অদুনা অরোয়বা হৌদোং কলহৌনবা পাম্বে থিরকখি। অদুদগী মমৈদা তোকঙা অমা শন্দোরকখি। হৌদোকশা/হৌদোং উরদি দাও য়াদে, থেংনরদি থবক অমত্তা মায় পাক্তে লৈথোক্লগা চৎলু, করিগুম্বা হৌদোংবু হেক হাৎলুরদি সনানা শামু মকোকমুক চাউনা লাইদা কৎচরসু লংশিল্লুবা মরালদু কোকপা ঙমদে। মসি লাইনা ফাওরকপনি হায়না হেক শন্দোকখিবদগী ঙসি ফাওবা তোকঙাবু ইকায়খুম্নরি, চৎনরি। অরানবা চৎনবী অসিগুম্বা ময়ামসি শেমদোকত্রিফাওবা ঐখোয় মশেল অচুম্বা হায়বদু খঙবা মাল্লগা মরৈ য়েৎনবগী লোইবা নাইরোই, অঙম তানদুনা লৈননি, পুন্সিদা মদুনা করিমত্তা কান্নবদি নত্তে। কাঙলূপ ফুরুপ তোঙানখিবগী ৱানি। মৈতৈনা হৌদোং চারম্বগী ৱারী লৈবনিনা ঙসিসু অতোপ্পা কাঙলূপকী মীনা য়েন লাবা ফজবা পীগে হৌদোং অমত্তা পীয়ু ওন্নসি কায়না হায়বা অনৌবা ৱারী লৈরিবসিনি। অমবু ওইরো অমবু ওইরো শা ঙাগীসু তৌবিমল কাউবা য়াদে, পোনি শগোলনা, সঙাইনা মণিপুর মশক মালেমদা তাল্লিবা অসুম্না মতমদুগী মহৈ-মরোং কন্নবগীদমক হৌদোং মশীং য়ামহন্নবগীদমক হায়খিবা তোকঙাদু খঙবীরগা হৌদোংদি হাৎপীগনু, লুনা তৌরিনি হায়দুনা মীগা ফমুংদা থমগনু, মাগী মখোঙদা অমোৎপা মহীক মতাই নৎত্রগা অমোনবা মতুনা মীওইবগী মশাদা লায়না পোকহল্লকপসু য়াই। চেকশিনসি, পোকেট দোগসুনি চেকশিনসি। অদুনা ঙসিদগীদি **'হৌদোং উবা দাও য়াই'** হায়বা কাউবীরনু। করিগুম্বা দাও য়াদ্রবদি হৌদোংনা নত্তে মশা মশাগী হোৎনবা ৱাৎপননি অমদি মফম মতমননি। দাও য়াদ্রিবা নুমিৎতুগী চাখিবা চাক-এঞ্চাং, নোইখিবা সাপোন, তোংখিবা গাড়ী, শেৎখিবা ফি-রোল লোইনমক দাও য়াদবা ঙাক্তনি অমত্তা শীজিন্নরুরনু অদুদি কমাইনা তৌদৌরি। ঙসিদগী অরানবা থাজনবী তোকঙাগী চৎনবীদা অমত্তা থাজবা থম্বীরনু। মতম পূম্নমক্তা অচুম্বনা মায় পাক্লসনু।

- *সোভানদি*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।